# ইন্দিয়ানা মপান্দগী সিটিজেনশিং পুরক্লবা থৌরাংগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইভেক্কেয়েসন হৌখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে, ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী অকোয়বদা ময়ুম লৈবাক্তা হল্লকপা য়াদনা লৈরিবা ইন্দিয়ান সিটিজেন লিশিং চা কয়া পুরক্লবা ইতিহাসতা শান্তিগী মতমদা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা মী পুরকপগী থৌরাং অমদা ইন্দিয়ানা কর্ম্মসিয়েল জেটশিং, মিলিটরি ট্রান্সপোর্ট প্লেনশিং অমসুং নেভিগী লানগী জহাজশিং শিজিন্নগদৌরি।

ইন্দিয়ান নেভিগী মতুং ইন্না থৌরাং অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা ইন্দিয়ান সিটিজেন লাক্ষ ১৮ লোম ময়ুমদা হল্লকপদা তেংবাংগনি। হায়রিবা মশীং অসি বোল্লিৱুদ ব্লোকবষ্টর অমগী ঈথিল পীখিবা–১৯৯০দা কুৱাইততগী মীওই ১,৭০,০০০ ইন্দিয়াদা প্লেননা পুরকখিবা মশীং অদুদগী য়াম্না হেল্লবনি অমসুং মদুদা নত্তনা টুর ওপরেটর থোমাস কুক গ্রুপ কায়খিবা মতুংদা হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ইভেক্কেয়েট তৌখিবা ১,৫০,০০০দগীসু হেল্লি।

মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিং থমখি। ইন্দিয়ানসু মালেমদা খ্বাইদগী অকনবা লোকদাউনশিং তৌদুনা মার্চকী অথেংবদগী ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট পূন্নমক থিংখি। অসিগুম্বা অথিংবশিং অসিদগী মরৈবাক ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদনা লৈখিবা ইন্দিয়ান লিশিং চা কয়ানা অদু পুরক্লবা অচৌবা ওপরেসন অমা থৌরাং তৌরে হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরাং অসিগী অহানবা চয়োলদা এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্ট্রিনা ফ্লাইট ৬৪না মপান লৈবাক ১৩দা লৈখিবা ইন্দিয়ান নেসনেল ১৪,০০০ হেন্না লৌথোক্লনবা থৌরাং তৌখ্রে। থৌরাং অসি মে ৭তগী হৌগনি। ইন্দিয়াদগী ফ্লাইটশিং, ফিলিপ্পিন্স, সিঙ্গাপোর, বাংলাদেশ, য়ু এ ই, য়ু কে, সাউদি অরাবিয়া, কাতার, য়ু এস এ, ওমন, বাহরেন অমসুং কুৱাইটতা পাইগনি।

ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম অমগী খুৎথাংদা মপান লৈবাকশিং অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ান এম্বেসিশিংনা ময়ুমদা হল্লকপা পাম্বা ইন্দিয়ানশিংগী লিষ্ট অমা থৌরাং তৌখ্রে।

নেভিগী লানগী জহাজ ৩নসু মালদীবস অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসতগী ইন্দিয়ানশিং লৌথোক্লনবা চৎপা হৌখ্রে। পূন্না লানগী জহাজ ১৩ থবক অসিগীদমক থৌরাং তৌখ্রে।

ইন্দিয়াদা অমুক পুরকপা ইন্দিয়ানশিং অদুনা প্লেনগী ভরা অমসুং থুংলুরবা তুংদা নুমিৎ ১৪নি অকক্লবা মফমশিংদা ক্বারেন্টিন তৌগদৌরিবা অদুগী মমল পীবগী মথৌ তাই। থৌরাং অসিগী অহানবা নুমিৎতা ফ্লাইট ১০না ইন্দিয়ান ২,৩০০ পুরক্কনি।

২শুবা নুমিৎতা চেন্নাই, কোচি, মুম্বাই, অহমেদাবাদ, বেঙ্গলুরু অমসুং দিল্লিদা ইন্দিয়ান নেসনেল ২০৫০ রোম থুংলগনি।

৩শুবা নুমিৎতা মিদ্দল ইষ্ট, য়ুরোপ, সাউথ ইষ্ট এসিয়া অমসুং য়ু এস এদা শন্দোক্তুনা লৈরিবা লৈবাক ১৩দগী দিল্লি, লক্ষ্ণৌ, কোচি অমসুং মুম্বাইদা ইন্দিয়ান নেসনেল ২,০৫০ রোম থুংলরগনি।

৪শুবা নুমিৎতা য়ু এস এ, য়ু কে অমসুং য়ু এ ই য়াওনা লৈবাক ৮দগী নেসনেল ১,৮৫০ লৌথোক্লগনি।

ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গল্ফ রিজনদা ৩ অমসুং মালদিবসতা ১, নেভিগী অচৌবা টেঙ্ক লেন্দিং ভেসেল ২ য়াওনা য়ামদ্রবদা নেভি জহাজ ৪ খোঙশানখ্রে।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা বোইংগী সি–১৭ ব্লোকমাষ্টার অমসুং লোকহীদ মার্তিন সি– ১৩০ জে সুপর হার্কুলিস য়াওনা এয়ারক্রাফ ৩০ রোম থৌরাং তৌখ্রে।

বোইং ৭৭৭ অমসুং ৭৮৭ ড্রিমলাইনর এয়ারক্রাফসু য়াওবা ফ্লীট অমা লৈরিবা এয়ার ইন্দিয়াসু লন্দনগী হিথ্রো ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী অখন্নবা, নন–সেদুল ফ্লাইটশিং মে ৬তগী হৌগনি।

য়ু এ ই খক্তদা ইন্দিয়ান লাক্ষ ২ রোম হল্লক্লবা চে থারকখ্রে। মীরোনবী নুপী, অহলওইরবশিং, মেদিকেল ইমর্জেন্সি লৈবশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংদা অরুবা অনাবা লৈবা নৎত্রগা শিখিবগী অৱাবা তারবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোঙচাবা পীগনি হায়না লন্দনদা ইন্দিয়ান হায় কম্মিসনগী ৱেবসাইটতা থোকপা নোটিস অমনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মে ৪ ফাওবদা মখোয়গী সিটিজেন ৭৮,০০০ রোম পুখ্রে। য়ুরোপকী লৈবাকশিংনসু ৬৫,০০০ রোম হেন্না লৌথোকখ্রে।

# মালেমগী লুচিংবশিংনা কোরোনা ভেক্সিনগী দোল্লর বিল্লিয়ন নিপান কৎননবা ৱাশক্লখ্রে



*ব্রুসেলস, মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*

কোভিদ–১৯গীদমক ওইথোক্লিঙাই ওইবা ভেক্সিন অমা অমসুং লায়েংশিংগীদমক রিছার্স তৌনবা, মেনুফেকচর তৌনবা অমসুং য়েন্থোক্লবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৮গী শেনফম অমা কৎনবা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱাশকখ্রে, অদুবু মদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়াওখিদ্রে।

হিরম অসিগীদমক শিল্লিবশিংগী মনুংদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী নৎতবা লৈবাকশিং–বৃটেন, নোরৱে অমসুং সাউদি অরাবিয়া য়াওরি।

জপান, কানাদা, সাউথ আফ্রিকা অমসুং অতৈ লৈবাক ময়াম অমগী লুচিংবশিংনা ভর্চুয়েল ওইনা পাংথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। ভাইরস অদুগী হৌরকফনি থাজরিবা চিনানা মখোয়গী য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন এম্বেসেদরনা মহুৎ শিনখি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ক, বিল এন্দ মেলিন্দা গেটস ফাউন্দেসন অমসুং ইনাক খুনবা লন্নাই মীওইশিংনা হোৎনরিবা থবকশিংগী মথক্তা গভর্ণমেন্টশিংনা চয়োল নৎত্রগা থা কয়ামরুম মখা তানা ফন্দ খোমগৎনবা অমসুং মালেমগী অকোয়বদা হন্না পায়খৎলিবা মফুং ফাদবা কোভিদ–১৯ থিংনবগী থবকশিংগী লমাই অদু হাংদোক্লবা পান্দম থল্লি।

সুপ্নগী পুং খরখক্তগী মনুংদা ঐখোয়না অপুনবা ওইনা কোভিদ–১৯গী মায়োক্তা ভেক্সিন, দাইগ্নোষ্টিক্স অমসুং ট্রিটমেন্টকীদমক য়ুরো বিল্লিয়ন ৭.৪ (দোল্লর বিল্লিয়ন ৮.১) পুথোক্লবা ৱাশক্লে হায়না য়ুরোপিয়ান কমিসনগী মকোক উর্সলা ভোর্ন দের লেয়েননা ওনলাইন মীফম অদুগী চিয়ার লৌরবা তুংদা হায়খি, মসিনা মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রবা গ্লোবেল ওপরেসন অদু হৌবা ঙমহল্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মালেম পূম্বগী অচৌবা থৌরাং অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শরুক য়াদ্রিবা করিগীনো হায়বদু সেনিয়ার য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসিয়েল অমনা অকক্লনা হায়ু য়াখিদে।

# লিবিয়া ঃ অল–ৱাটিয়া এয়ারবেজ লৌশিন্নবা জি এন এনা অকনবা এটেক চথখ্রে



*ট্রিপোলি, মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেলগী ওইনা রিকগনাইজ তৌবা লিবিয়াগী গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনেল এক্কোর্দ (জি এন এ)না লালহৌবা ওইখ্রবা মিলিটরি কম্মান্দর খালিফা হফতারগী ফোর্সশিংনা পায়বা এয়ার বেজ অমা লৌশিন্নবা এটেক অমা চথখ্রে।

লিবিয়াগী কোনুং ট্রিপোলিগী খা নোংচুপ্তা অল–ৱাতিয়া এয়ার বেজ অদুগী মরুওইবা শরুকশিং পায়শিন্নবা হোৎনরিবা ট্রিপোলিদা লৈবা জি এন এদা য়াবা ফোর্সশিংনা ওপরেসন অদু ঙসি লৈবাকপোকপগী অঙনবদা চথখিবনি।

হাফটারগী লিবিয়ান নেসনেল আর্মি (এল এন এ) হায়রিবা অদুবু য়াবা ফোর্সশিং অদু এয়ারবেজ অদুগী খা থংবা শরুকতা খোঙফম হন্দোকহনখ্রে হায়না অলজজিরাগী মহামৌখ অবদেলৱাহেদনা ট্রিপোলিদগী পাউ পীরকখি। নাকন অনী অদু কন্না নোংমৈ কাপ্পখি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

অলৱাটিয়া এয়ারবেজগী মনুং অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা অমসুং হফটারগী ফোর্সশিংদা গভর্ণমেন্ট দ্রোনশিংনা পান্দম থমদুনা হৌখিবা চয়োল খরদগী হৌনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা অল–ৱাটিয়াগী লানফম অসিগীদমক থৌরাং তৌরকখিবনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

এয়ার বেজ অদুবু গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনেল এক্কোর্দ য়াবা ফোর্সশিংগী মথক্তা নোংথক্তগী লান্দানবা শিজিন্নরক্লি। মসি লৈবাক অসিগী মনুংদা মরুওইবা এয়ারবেজ অমা ওইনা লৌনৈ অমসুং লৈবাক অসিগী নোংচুপতা ওপরেসনশিং চথনবগীদমক মসিবু মাগী হেদক্বার্টরস ওইনা শিজিন্নখিবা হফটারনা ওগষ্ট ২০১৪দা খুদুম চনখিবনি।

মতম শাংনা লুচিংবা ওইরম্বা মুৱাম্মর গদ্দাফিবু নেটোনা ঙাকলৌ পীবা লৈবাক্কী ঈহৌদা ২০১১দা হাৎখিবা অদুগী মতুংদগী লিবিয়া চরাংনবা মরক্তা লৈখি। হৌজিক লৈবাক অসি য়েংথিনবা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী – জি এন এ অমসুং হফটারদা য়াবা নোংপোক্তা লৈবা হাউস ওফ রিপ্রেজেন্টেটিবসকা অনী থোক্লা খায়দোক্লে।

# আর্মি হোস্পিটালদা ২৪ কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইরে

*ন্যু দিল্লি, মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*

দিল্লি কেন্টোনমেন্টতা আর্মি হোস্পিটাল (রিছার্স এন্দ রিফরেল)দা লায়েংলখিবা থবক তৌরিবা অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা মিলিটরি পার্সোন্নেল য়াওনা মীওই ২৪ কোরোনাভাইরস পোজিটিব ওইখ্রে। মখোয় বেজ হোস্পিটালদা পুখ্রে হায়না আর্মি মনুংগী লিখুনশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীওইশিং অদু লোয়নমক কেন্সর দিপার্টমেন্টতগীনি। হেল্ঠ ষ্টাফ অমত্তা লাইচৎ অদু লৌনরকখিদে হায়না লিখুনশিং অদুনা হায়খি।

মার্চ থাদা মখোয়গী মীওই অমা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরস নারকখিবা ইন্দিয়ান আর্মিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অতৈ সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা লোয়ননা তমথিরবা লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা ঙাক শেন্দুনা লৈনবা খঙহনখি।

হৌজিক ফাওবদা কোভিদ–১৯ নাবদগী শিখিবা ১,৫৬৮ থারগা ইন্দিয়াদা মীওই ৪,৬০০ হেন্না কোরোনাভাইরসনা নাখ্রে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মির ফোটোজর্নেলিষ্ট অহুম লেমজনিঙাই ওইরবা পুলিটজর প্রাইজ ফংখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী ফোটোজর্নেলিষ্ট ৩ পুলিটজর প্রাইজ, ২০২০ ফংবশিংগী মনুংদা য়াওরে। এৱার্দস অদু কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মরমদগী য়ু ট্যুবতা লাইবস্ট্রিম অমগী খুৎথাংদা লাওথোকখি।

এসোসিয়েটেদ প্রেস (এ পি)দা থবক তৌবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী জর্নেলিষ্ট ৩– মুখতার খান, য়াসিন দর অমসুং চান্নি আনন্দনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস ককথৎনবা অমসুং মসিবু জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ হায়না য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ থোক্লা খায়দোক্লবা গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মখা তারকপদা গভর্ণমেন্টনা পাকক্তননা অথিংবশিং থমখিবা অদুগী মতুং লমদম অদুদা তৌখিবা মখোয়গী থবক্কীদমক মকোক থোংবা ঈকাইখুম্নবশিং অসি ফংখিবনি।

ফোটোজর্নেলিষ্ট ৩ অদুনা থাক ৱাংলবা অমসুং লেমজনিঙাই ওইরবা এৱার্দ অদু ফংবদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমর অবদুল্লা, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং পিপল দেমোক্রেটিক পার্টিগী চীফ মেহবুবা মুফতিগী মচানুপী ইলটিজা মুফতি অমসুং কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনচিংবা মীওই কয়ানা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লকখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মীয়ামগী পূন্সিগী মতাংদা মখোয়গী শক্তি লৈরবা মমিশিং অদুগীদমক পুলিটজর প্রাইজ অমা ফংবগীদমক ইন্দিয়ান ফোটোজর্নেলিষ্ট ৩দা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি, নখোয়না ঐখোয় পূন্নমকপু চাওথোকচবা ঙমহল্লে হায়না রাহুল গান্ধীনা ট্বিট তৌখি।

কাশ্মিরদা জর্নেলিষ্টশিংগীদমক খুদোঙথিবা চহী অমা ওইখি অমসুং হৌখিবা চহী ৩০গী মতাংদা করিগুম্বা খরা ফোঙদোকপা তশেংনমক অরাইবা ওইখিদে। থাগৎচরি দারয়াসিন, মুখতার খান, চান্নিয়াপ। লেমজনিঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ফংবদা থাগৎচরি। নখোয়গী কেমেরাশিংদা শক্তি হেন্না হাপল্লকপা ওইরসনু হায়না ওমর অবদুল্লানা হায়খি।

আমেরিকান জর্নেলিজমদা খ্বাইদগী ঈজৎ লৈরবা এৱার্দস ওইরিবা পুলিটজর প্রাইজশিং অসি পাউ–চেগী পব্লিসর জোসেফ পুলিটজরনা মহাক্কী ৱিলদা লিংখৎলমখিবা ১৯১৭দগী হৌনা পীরকখিবনি।

# সাইন্টিষ্টশিংনা লেবতা কোরোনাভাইরস মায়থিবা পীবা এন্টিবোদি শেমখ্রে



*এজেন্সিশিং, মে, ০৫ঃ*

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক শন্দোকপা থিংনবা অমসুং মসিগী লায়েংশিং ফংনবগী আশা লৈবা খোঙথাং অমদা সাইন্টিষ্টশিংনা লেবোরেটরিদা অনৌবা ভাইরস অদু মায়থিবা পীবা ঙম্বা মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি অমা শেমখ্রে।

এক্সপরিমেন্টেল এন্টিবোদি অদুনা ভাইরস অদু সেল কলচরশিংদা ন্যুট্রেলাইজ তৌখি। এনিমেল রিছার্স অমসুং হ্যুমেন ট্রায়েলশিং চথদ্রিঙৈ মমাঙদা দ্রগ পুথোকপগী খোঙচৎতা মসি মতম ঙল্লবসু এন্টিবোদি অদুনা মতোমতা নৎত্রগা দ্রগ কম্বিনেসন অমনা তুংগী মতমদা কোভিদ–১৯ অমসুং মরি লৈনবা লায়নাশিংবু থিংবা নৎত্রগা লায়েংবদা মতেং ওইরবা য়াই হায়না নেচর কম্ম্যুনিকেসন্স জর্নেলদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙখিবা ষ্টদি অমনা হায়রি।


ক্লিনিকেল সেটিং অমদা ফাইন্দিংশিং অদু কনফার্ম তৌরব্রা অমসুং এন্টিবোদি অদুনা ভাইরস অদু করন্না মতিকচানা মায়থিবা পীবগে হায়বদু খঙনবা অহেনবা রিছার্স মথৌ তারি হায়না নেদরলেন্দসকী য়ুট্রেচট য়ুনিভসিটিগী বেরেন্দ–জান বোসচ অমসুং মপাংশিংনা পেপর অদুদা ইখি।

‘৪৭ দি ১১’ হায়না খঙনবা এন্টিবোদি অদুনা অনৌবা কোরোনাভাইরস অদু লুহুপ মানবা মওং ওইহল্লিবা অমসুং হ্যুমেন সেলশিংগী মনুংদা চংবা য়াহল্লিবা প্রোটিন অদু টার্গেট তৌই।

এক্সপরিমেন্টশিং অসিদা এন্টিবোদি অসিনা কোভিদ–১৯ থোকহল্লিবা ভাইরস অদুবু মায়থিবা পীবদা নত্তনা মান্নবা স্পাইক প্রোটিনশিংগী খুৎলাই পায়দুনা সেভিয়র একুটে রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম, নৎত্রগা এস এ আর এস থোকহল্লিবা অমবুসু মায়থিবা পীখি।

মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি হায়রিবশিং অসি বেক্টরিয়া অমসুং ভাইরসশিংবু হাৎতুনা মায়থিবা পীনবা হকচাংনা পুথোকপা মহৌশানা থোকচবা এন্টিবোদিশিংগা মান্নবা লেবোরেটরিদা শেম্বা প্রোটিনশিংনি।

# চিনা থাদোরক্লবা ফার্মশিংদা ইন্দিয়ানা লুকজেমবর্গ অনীমুক চাওবা লম পীনবা খূৎ লাম্থোক্লি



*ন্যু দিল্লি, মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*

চিনা থাদোক্লগা থোরকপা ব্যুজিনেসশিং ইন্দিয়াদা খোঙদানবগী অপাম্বা পোকহন্নবা ইন্দিয়ানা লুকজেম্বর্গকী পাকচাওবা অদুদগী শরুক ২ রোম চাওবা লম অমা দিভলপ তৌগদৌরি হায়না হিরম অসিবু খঙবা মীওইশিংনা ফোঙদোক্লি।

মেদিয়াদা ৱা ঙাংনবগী অয়াবা পীদবা মরম্না মমিং পনবিগনু হায়রদুনা মীওইশিং অদুনা হায়খি, হায়রিবা হিরম অদুগীদমক লৈবাকসিগী মফম কয়াদা হেক্টর ৪,৬১,৫৮৯ মুক চাওবা অপূনবা লম অমা খন্দোকখ্রে। মসিদা হৌজিক লৈরিবা গুজরাত, মহারাষ্ট্র, তামিল নাদু অমসুং অন্দ্রা প্রদেশকুম্বা ষ্টেটশিংগী ইন্দষ্ট্রিয়েল লম হেক্টর ১,১৫,১৩১ য়াওরি।

ৱার্ল্ড বেঙ্ককী মতুং ইন্না লুকজেম্বর্গ অসি হেক্টর ২,৪৩,০০০ পাকচাওই। সাউদি অরামকোদগীনা পোস্কোগী থৌরাংশিং লম ফংবগী মতাংদা মতম থেংথবনা নিংবা কায়হনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা ইনভেষ্ট তৌনবা মীৎয়েং থল্লিবা কম্পেনিশিংগীদমক লমগী ৱাফমনা খ্বাইদগী চাওবা অপনবা ওইরি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎ অমসুং মদুনা সপ্লাইদা অপনবা পীরিবা অসিগী মতুং মেনুফেকচরিং বেজ অমা ওইনা চিনাদা তাংজবা হন্থহন্নবা ইনভেষ্টরশিংনা হোৎনরিবা চৈরক অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী এদমিনিষ্ট্রেসননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগা লোয়ননা থবক তৌদুনা লমগী মতাংদা মপানগী কম্পেনিশিংনা নিংবা কায়রিবা অদু থোকহন্দনবা হোৎনরি।

হৌজিক ইন্দিয়াদা ফেক্টরি অমা লিংখৎপা পাল্লিবা ইনভেষ্টরশিংনা মখোয় মশাগী লম ফংবা মথৌ তারি। থৌদোক খরদদি লম অদু ফংনবগী থবক্তা মখোয়গী প্রোজেক্ট অদু মতম থেংথহল্লে।

ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট চংশিল্লকপা হেনগৎহন্নবদা মতেং ওইগদবা মচাকশিংগী মনুংদা লম লৌবদা মনুং–মপান উবা অমসুং থুবা অসি অমনি হায়না বরক্লেজ বেঙ্ককী সেনিয়ার ইকোনোমিষ্ট রাহুল বাজোরিয়ানা হায়খি।

# ইজরেলদা অঙকপা মায়পাকপা অমদা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা এন্টিবোদি পুথোকখ্রে

*জেরুসালেম, মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*

ইজরেলগী মরুওইবা বাইওলোজিকেল সরিছার্স ইনষ্টিট্যুটতা সাইন্টিষ্টশিংনা অনৌবা কোরোনাভাইরসতা এন্টিবোদি অমা পুথোকপদা শিংথানিঙাই ওইনা মায় পাকখ্রে, রিছার্চশিং অদুনা পুথোকপগী তাঙ্কক অদু লোইশিনখ্রে অমসুং পেটেন্ট লৌনবা লোয়ননা লায়েংনবগী পাক্তক্লনা পুথোক্লবগী থবক্তা চংশিনখ্রে হায়না ইজরেল দিফেন্স মিনিষ্টর নাফ্রটলি বেন্নেটনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা সুপরভাইস তৌখিবা কোরোনাভাইরসকীদমক ভেক্সিন অমা পুথোক্লবা খঙহনখিবা নেস জিওনাদা লৈবা ইনষ্টিট্যুট ফোর বাইওলোজিকেল রিছার্স (আই আই বি আর)গী লেবশিংদা চৎতুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়েংখি অমসুং মোনোক্লোনেল ওইবা মওং অমদা ভাইরসতা এটেক তৌবা অমসুং অনাবশিংগী হকচাংশিংগী মনুংদা ভাইরস ন্যুট্রিলাইজ তৌবা ঙম্বা এন্টিবোদি অদু উৎখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-458**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 2 | | 9 | | | 7 | |
| | 6 | 4 | 7 | | | | 5 | |
| 9 | 7 | | | | 5 | | 6 | |
| | 8 | 9 | 3 | | | | | 7 |
| | 5 | | | 4 | 7 | 6 | | |
| | 4 | | 5 | | | 9 | | |
| 4 | | | | 5 | | 7 | | |
| 6 | | | | | 9 | | | 5 |
| | | 5 | 2 | | | | 9 | 4 |

**সনা–সুদোকু – ৪৫৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 5 | 7 | 9 | 2 | 6 | 8 | 4 |
| 4 | 8 | 2 | 6 | 3 | 1 | 9 | 5 | 7 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 1 | 6 | 8 | 3 | 9 |
| 8 | 2 | 3 | 4 | 5 | 9 | 7 | 6 | 1 |
| 2 | 5 | 4 | 3 | 8 | 7 | 1 | 9 | 6 |
| 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 |
| 6 | 3 | 1 | 9 | 2 | 5 | 4 | 7 | 8 |

# নোইদাদা স্মার্টফোনদা অরোগ্যা সেতু এপ্প হাপ্তবা ক্রাইমনি

*নোইদা মে, ০৫(এজেন্সি)ঃ*



পুলিসনা থোকপা অনৌবা গাইদলাইন্সকী মতুংইন্না নোইদা নৎত্রগা গ্রেটর নোইদাদা পব্লিক প্লেস অমদা লাকপদা স্মার্টফোনশিংদা ‘অরোগ্যা সেতু’ এপ্প হাপ্তবশিং কোরোনাভাইরস লোকদাউন থুগাইবা অমনি লৌগনি অমসুং চৈরাক ফংনিঙাই ওই।

নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী গৌতম বুধনগরগী পুলিসকী মতুং ইন্না ফেসমাস্ক উপতনা মপান্দা থোক্লকপা মীওইশিং নৎত্রগা মীয়ামগী মফমশিংদা তিন শিংৎপশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎকনি।

অরোগ্যা সেতু হায়রিবা অসি কোভিদ–১৯গী মায়োক্তা থেংনবদা এসেন্সিয়েল হেল্ঠ সার্ভিসেসকা মীওই অদুগা শন্নহন্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুথোকপা মোবাইল এপ্লিকেসন অমনি।

মীয়ামগী মফমশিংদা লোক–তিন শিংৎপা ফাইনগা লোয়ননা চৈরাক ফংনিঙাই ওই, মীয়ামগী মফমশিং নৎত্রগা ওফিসশিংদা ফেসমাস্ক উপ্তবা হায়বসি চৈরাক ফংগদবা মরান ওইগনি।

স্মার্টফোন শিজিন্নরিবশিংনা মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংদা অরোগ্যা সেতু এপ্প অদু ইনষ্টোল তৌদ্রবদি লোকদাউনগী পাউতাকশিং থুগাইবা অমা ওইনা লৌগনি অমসুং চৈরাক ফংনিঙাই ওই হায়না এদিসনেল দিপুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস, লো এন্দ ওর্দর, অসুটোস দ্বিবেদিনা হায়খি।

মী ৫ নৎত্রগা হেন্না শরুক য়াগদবা মীফম অমত্তা কৌবা য়ারোই। লুহোংবগুম্বদা মী ৫০দগী হেন্না তিনবা য়ারোই। মী লৈখিদবগী অরোইবা মথৌ–মঙমদা মী ২০দগী হেন্না শরুক য়াবা য়ারোই হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি। গৌতম বুধ নগর অসি রেদ জোনগী মনুং চল্লি।

## GAS TODAY

**Ashangbi Indane, Sugnu**
Booking : 14/02/20
Valid : 01/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Contact No.-872999753

**Bashikhong Indane**
Booking : 17/02/20
Valid : 07/02/20
Time : 08.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.-9089709738/ 7005204180

**Hrangchal Gas**
Booking : 22/02/20
Valid : 20/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Booking 0385-2444677
Enquary -9089024365 (Call / Whatsapp)

**Imphal LPG Service**
Booking : 03/03/20
Valid : 13/02/20
Sl. No. : 17070
Time : From 08.30 a.m.
Home Delivery Contact No.-6009392991

**J. Rongmei Indane**
Booking : 10/02/20
Valid : 02/02/20
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.
Home Delivery
(Blue card Hanna Pisinbiyu)

**Khumbong Indane**
Booking : 20/02/20
Valid : 19/02/20
Home Delivery Contact No.-7005771527/ 9774679422
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 28/02/20
Valid : 19/02/20
Booking No.- 879426533/ 8729879017
Time : 08.00 to 12 Noon

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Home Delivery Only
Booking : 02/02/20
Valid : 28/01/20
Home Delivery Contact No.-7085412234
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 02/02/20
Valid : 21/01/20
Home Delivery Contact No.-8730087936
Time : 08.00 to 12 Noon

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 19/01/20
Valid : 10/01/19
Stk : 612
Home Delivery Contact No.-9862836403/ 8415050488/ 9366930417

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/02/20
Valid : 08/02/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon
Contact No. - 1. Delip-6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C)
2. Ajay- 7005667570 (Thanga A/C)
3. Rojen - 8787381746 (Kumbi A/C)
Booking Contact No.- 708597224

**M.M. Gas Service**
Booking : 07/02/20
Valid : 18/02/20
Home Delivery Only
Time : 08.00 to 12 Noon.
For Thangmeiband Area Contact SMS/ Whatsapp to 8131852580/ 8257056190
For Uripok Area Contact SMS/ Whatsapp to 7629852810/ 6009885600
Other Area Contact SMS/ Waatsapp to 9862792731/ 9612009063

**Misao Gas Service**
Only Home Delivery
Booking : 06/03/20
Valid : 19/02/20
For Dellevery Service Please Contact -7085738631/ 8119967523- Call Timing : 08.00 to 04.00 p.m.

**Manipur Gas**
Booking : 21/02/20
Valid : 02/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.-8730954041/ 7005728461/ 8259969582